# ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা কার্টি চিদম্বরমগী লন-থুম ফাজিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): আই এন এক্স মীদিয়া কেসকা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) না ঙসি হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরমগী মচানুপা কার্টি চিদম্বরমগী লুপা ক্রোর ৫৪ রোমগী লন-থুম ফাজিনখ্রে।

ইন্দিয়া-স্পেন অমদি য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা কম্পেনি অমসু থিংজিনখি। ঈ দিগী ওফিসল অমনা হায়খি, কার্টি চিদম্বরমনা হাংদোকপা এদভান্টেজ ষ্ট্রেটিজিক কন্সল্টিং প্রাইভেট লিমিটেদ (এ এস সী পি এল) গী লন-থুমসু ফাজিল্লে। মসিগা লোয়ননা কোদাইকনালদা লৈবা এগ্রিকলচরেল লেন্দ, উটিগী বঙ্গলো, দিল্লিগী লম লোয়ননা য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা য়ুম অমদি ফার্ম কয়াসু থিংজিল্লে। কার্টি চিদম্বরমগীনি হায়না বার্সেলোনাদা লৈবা টেন্নিস ক্লব অমসু থিংজিল্লে হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়ন ওভরসিজ বেঙ্কতা কম্পেনিগী মিংদা লৈবা লুপা লাখ ৯০ গী ফিক্স দিপোজিট অমদি কার্টিগী মিংদা লৈবা লুপা ক্রোর ৯.২৮ সু ফাগৎলে। আই এন এক্সকী মীদিয়া দিরেক্টর পিটর অমসুং ইন্দ্রানি মুখর্জিয়ানা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট প্রমোসন বোর্দ (এফ আই পি বি) গী অয়াবা লৌনবগীদমক চিদম্বরমগা লোন্না উনখি হায়না ঈ দিনা মরাল শিখিবনি। পি চিদম্বরম অমসুং কার্টি চিদম্বরমনদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়না শেংদোকখি।

অমরোমদা, ঈ দিনা হায়খি, কার্টিনা কন্ট্রোল তৌবা এ এস সী পি এল অমদি অতৈ কম্পেনি খরদা মুখর্জিয়ানা লুপা ক্রোর ৩.০৯ পীখিবগী খুদম চপ চাবা ফংলে। হায়রিবা শেনফম অদুনা বাসন হেল্‌থ ক্যেরগী স্যের কয়ামরুম লৈখি। কোন্না অমুক লুপা ক্রোর ৪১ শেন্দোং ফংলগা স্যের খরা য়োন্থোকখি হায়রি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ঈ দিগী ওফিসল অমনা এজেন্সীদা হায়খি, এ এস সী পি এলনা অতোপ্পা কম্পেনি অমদা স্যের য়োল্লগা লুপা ক্রোর ১৮.৪৯ শেন্দোং ওইনা ফংখি। ঈ দিনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা কার্টিনা হায়খি, অরানবা মওংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি মতিক চাবা লোগী ফোরমদা চপ চানা থেংনরগনি।

মমাঙ থাদা ঈ দিনা কার্টি চিদম্বরমগী এন্টিসিপেটরি বেল ককপীনবা দিল্লি হায় কোর্টতা ৱাকৎপা লৈখ্রবনি। এয়রসেল-মেক্সিস মনি লোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা কার্টি চিদম্বরমদা পীখিবা ইন টরিম রিলিফ ককপীয়ু হায়না ঈ দিনা সী বি আইগী স্পেসল কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখি।

# তাইবঙ মপুগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা রামপাল মী হাৎপগী মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রে



হিসার, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): তাইবঙ মপুগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা রামপালবু লোকেল কোর্ট অমনা মী হাৎপগী কেস অনীদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে।

কেস অনী অসিদা নুপী মরি য়াওনা মীওই ২৯ পুন্না মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা ৱায়েল পীখি। কুমজা ২০১৪ গী নবেম্বরদা রামপাল শৌগৎপা মীওইশিং অমসুং হরিয়ানা পুলিসকী মরক্তা নুমীৎ কয়ানি চুপ্পা মুক্নবগী থৌদোক থোকখিবদা নুপী মঙা অমসুং অঙাং অমা শিখিবগা মরী লৈননা কেস অসি লৌখৎখিবনি।

মীওই তরুক শিখিবগী মতাংদা হরিয়ানা পুলিসনা এফ আই আর অনী ফাইল তৌখি। হিসার দিষ্ট্রিক্টকী এটোর্নি মহেন্দর পালনা পাউমীশিংদা হায়খি, অরানবা মওংদা মী ফাজিন্দুনা থম্বা, ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি অমসুং মী হাৎপগী মতাংদা মীওইশিং অদু কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবনি। মরাল লৈরবা মীওইশিংদা করম্বা চৈরাক পীগদগে হায়বদু কোর্টনা ওক্টোবর ১৬ অমসুং ১৭ তা লাউথোক্লগনি।

কেস অসিদা চেন্নবা মীওই থিবা খঙখিদবা মরম্না মীচেন ওইরে হায়না কোর্টনা লাউথোকখি। মী হাৎখিবগী কেস অনীগা মরী লৈননা ৱায়েল পীখিবা মতমদা ঙসি রামপাল য়াওনা অতৈ চেন্নবা মীওইশিং কোর্টতা লাকখি। মীওইশিং অদু মী হাৎপগী মরাল লৈরে হায়না এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ দি আর চালিয়ানা ৱায়েল পীখি। কুমজা ২০১৪ দা রামপাল ফানবা হোৎনরুবদগী হিসারদা পুলিস অমসুং রামপালগী তুংইনবশিং চাউনা মুক্নবা থোকখি। চহী অদুমক্কী নবেম্বর ১৯ দা রামপাল অমসুং মহাক্কী তুংইনবা কয়া ফাখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মুক্নবা লোইশিনখি।

চৈরকসিদা, কোর্টনা চথরিবা ৱায়েল অসিনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী হিসার অমদি মনাক নকপা টাউনশিংদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট অশোক কুমার মিনানা হিসারদা সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা মীওই মঙাদগী হেন্না পুনবা য়াহনখিদে।

পনবা য়াবদি, হকচাংগী কয়াৎ ককথৎখিবগী কেস অমগা মরী লৈননা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুর্মিট রাম রহিম সিংহবু পঞ্চকুলাগী সী বি আই কোর্টনা বেল পীখ্রবনি। অদুম ওইনমক রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবা মরম্না দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা অসি মখা তানা জেলদা অদুম্মক লৈখিগনি হায়রি।

মহাক্কী তুংইনবা নুপাশিংগী কয়াৎ ককথৎখি হায়বগী মতাংদা সী বি আইনা গুর্মিট রাম রহিম সিংহগী মথক্তা চার্জসিট অমা ফাইল তৌখিবনি। মহাক্না লোয়ননা পঙ্কজ গার্গ অমদি এম পি সিংহ কৌবা ডোক্তর অনীসু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা বুক তৌখ্রবনি।

কুমজা ২০১৪ দা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৫ দা সী বি আইনা রাম রহিম অমসুং অতোপ্পা মীওই খরগী মথক্তা কেস লৌখৎখি। কুমজা ২০১২ দা দেরা সচা সৌদাগী তুংইনবা অমনা হায় কোর্টতা রিট পিটিসন ফাইল তৌদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথহন্নবা তকশিনখিবনি। তোপ-তোপ্পা লাইনিং লম্বী অমা হৌদোক্তুনা তুংইনবা মীওই কয়ামরুম লৈরম্লবা গুর্মিট রাম রহিম সিংহনা জেলদা মনা-মশিং থাদুনা নুমীৎ খুদিংগী লুপা ২০ তান্দুনা লাকখিবনি। হরিয়ানাগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা হায়খি, তুংইনবী নুপী কয়া ফল্লানখিবগী মরালদা চহী ২০ মীয়াৎ তাদুনা হরিয়ানাগী রোহটক্তা লৈবা সুনারিয়া জেলদা থম্লিবা রাম রহিমনা অহানবা জেল চঙবা মতমদা করিগুম্বা অমত্তা চাউ-থকউ হায়বা য়াখিদে। মহাক্না লৈরিবা জেলগী কা অদুগী মনাক্তা অহাংবা লমহাং অমদা মনা-মশিং থাদুনা মতম লেল্লি।

রাম রহিমনা কুমজা ১৯৯০ দা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা ওইরবা মতুংদা মহাক্কী তুংইনবী নুপী কয়া ফল্লানখিবগা লোয়ননা নুপী কয়াগী ফিনুংগী কয়াৎ ককথৎখি হায়না মরাল শিরকখিবনি।

## এটেক চথহন্নবা হোৎনরে: রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): বাংলাদেশতা লৈবা পাকিস্তান হায় কম্মিসনগী ওফিসলশিংনা ইন্দিয়াগী মথক্তা এটেক চথহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টলিজেন্স ওফিসর অমনা এজেন্সীদা হায়খি, ধাকাদা লৈবা পাকিস্তান হায় কম্মিসন্না টেররিষ্ট গ্রুপশিংদা ইনশিল্লগা বাংলাদেশ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা এটেক চথনবা হোৎনবা খুদম ফংলে। পাকিস্তানগী অরোনবা এজেন্সী ইন্টর সর্ভিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই) না দিপ্লোমেটকী মায়খুম উপ্লগা বাংলাদেশতা ওপরেট তৌবা টেররিষ্ট গ্রুপ কয়াগা পাউ ফাওনরি। মরুওইনা বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগী মফম খরদা টেররিষ্টশিংবু এটেক চথহন্নবা হোৎনরকপগী খুদম ফংলে। ধাকাদা পোষ্টিং তাবা পাকিস্তান হায় কম্মিসনগী দিপ্লোমেট অমনা হিরম অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

## এক্সিদেন্ট থোকখিবা ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস ট্রেনদা সিগনেল লান্না পীখিবা রেলৱেগী ওফিসল অনী থবক্তগী লৌথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): সিগনেল লান্না পীদুনা ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকহনখি হায়বগীদমক ইন্দিয়ন রেলৱেগী ওফিসল অনী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী এন্টি টেররিজম স্কৱাদ (এ টি এস) না থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা রেলৱেগী ওফিসল অনীনা সিগনেল লান্না পীবদগী এক্সিদেন্ট থোকখিবনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখি। ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকপদা মীশি-মীনা য়াওখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোক-খিবগা লোয়ননা রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লনা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক থৌরমশিং হকথেংননা য়েংশিনখি।

ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস গুরুং চৎখিবগী থৌদোক অদুনা চহী অসিগী ওইনা অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা ট্রেন এক্সিদেন্টনি হায়না লৌনরি।

পনবা য়াবদি, লাইবক থীবা থৌদোক অমদা ঙরাং অয়ুক উত্তর প্রদেশকী রাই বরেলি মনাক্তা ন্যু দিল্লিদগী মালদা তন্না চেনবা ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস ট্রেন গুরুং চৎপদা মীওই তরেৎ শিরগা অতোপ্পা ৬০ রোম অশোক-অপন নংখিবনি।

ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেসকী এঞ্জিন অমসুং কোচ ৯ টালিদগী নান্থবদা শোক্লবা মীওইশিং অদু রাই বরেলিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লনা লৈখিদ্রবা মীওই খুদিংমক্কী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫ কম্পেন্সেসন ওইনা পীরগনি হায়না লাউথোকখি। ফীভম থিনা শোক্লবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ১ অমসুং কা হেন্না শোক্তবা মীওইশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

হর্চান্দপুর রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস ট্রেনগী কোচ কয়ামরুম টালিদগী নান্থরকখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা নুপী অমগা পীক্লিবা অঙাং অমগা য়াওখি। ন্যু দিল্লিদগী মালদা তন্না চেনবা ট্রেন অদুগী এঞ্জিন য়াওনা কোচ ৯ টালিদগী নান্থরকখিবনি।

থৌদোক থোকফমদা লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎখিবগা লোয়ননা রেলৱেগী ওফিসলশিংসু থৌদোক থোকফমদা থুংলখ্রবনি। লক্ষনৌ অমসুং বরানাসিদগী নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) কী টিম কয়ামরুম থৌদোক থোকফম তন্না চঙশিল্লকখি। ট্রেনগী অতেক-অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈখ্রবা মীওইশিংবু গ্যাস কট্টর শীজিন্নরগা লৌথোকখি।

লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, হেল্‌থ ওথোরিটি অমদি নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সতা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা য়াথং পীখি।

চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনসু লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ২ কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না লাউথোকখিবনি। ফীভম থিনা শোক্লবা মীওইশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়রি। থৌদোক থোকফমদা ডোক্তরশিং য়াওবা টিম অমা থুংলখ্রে।

ফরাক্কা এক্সপ্রেস এক্সিদেন্ট থোকখিবা লম্বী অদু থিংজিনখিবগা লোয়ননা রেলৱে বোর্দকী চ্যেরমেন অস্বানি লোহানিনা ফীভম য়েংশিনবা হোৎনরি। ইন্দিয়ন রেলৱেগী ওইনসু ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেম্লগা থৌদোক অসিগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

## ‘এম জে অকবরদা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই’

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): এক্সটর্নেল এফেয়্যরসকী ষ্টেট মিনিষ্টর এম জে অকবরগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই হায়না সোর্স অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখ্রে।

এম জে অকবরনা পাউচে অমগী এদিটর ওইরিঙৈদা সেক্সুএল হেরাসমেন্ট চথখি হায়না নুপী মঙানা মরাল শিরকখ্রবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। ইন্দিয়াগী মপান খোঙচৎ অমদা লৈরিবা অকবরনা হিরম অসিগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী কম্মেন্ট পীরকপা লৈত্রি।

সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, সেক্সুএল হেরাসমেন্টকী মরাল শিরকখ্রবা এম জে অকবরবু মিনিষ্টরগী ফম থাদোকহল্লগা পার্টিগী থবক থৌরমদা ওইনা থৌদাং লৌহল্লকপা য়াই। এক্সটর্নেল এফেয়্যরসকী ষ্টেট মিনিষ্টর এম জে অকবরনা সেক্সুএল হেরাসমেন্টকী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমদ্রবদি খুদক্তা ফম থাদোক্লদবনি হায়না কোংগ্রেসনা তকশিনবা লৈখ্রবনি।

কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন এস জয়পাল রেদ্দিনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, এম জে অকবরগী মথক্তা শিরক্লিবা মরাল অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনক্বারি চথদুনা অচুম-অরান থিগৎকদবনি। ইন্দিয়াদা *মী টূ কেম্প্যেন* চথরকপগা লোয়ননা নুপী পাউমী খরনা এম জে অকবরগী মথক্তা সেক্সুএল হেরাসমেন্টকা মরী লৈনবা মরাল কয়া শিরকখি। হান্না এদিটর ওইরম্বদগী হৌজিক্না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফেয়্যরসকী থৌ পুরিবা এম জে অকবরনা পাউমীগী শিনফমদা লৈরিঙৈদা সেক্সুএল হেরাসমেন্ট চথখি হায়না নুপী পাউমী খরনা মরাল শিরকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন এস জয়পাল রেদ্দিনা হায়খি, নুপীদা অহেনবা মতিক ময়াই পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না ৱাফম অসিগী মতাংদা তুমীন্না লৈশিনবা চুমদে। এম জে অকবর মশামক্লসু ৱাথোক অসিগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি। করিগুম্বা পাউখুম পীবা ঙমদ্রগনা খুদক্তা মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্লদবনি। এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা তুমীন লৈশিনখিবগী থৌওংবু রেদ্দিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

## জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট অনী হাৎখ্রে



শ্রীনগর, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুপৱারাদা আর্মিনা ওপরেসন চথখিবদা মানন বাসির ৱানি কৌবা মরুওইবা মিলিটেন্ট কম্মান্দর অমা য়াওনা মিলিটেন্ট অনী শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা বাসির ৱানি অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটিদা জিওলোজি সবজেক্টতা রিছার্স স্কোলর ওইরম্বনি। হৌখিবা জান্যুৱারিদা মহাক হিজবুল মুজাহিদীনদা য়াওখিবনি হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়, আর্মিগী ৩০ শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলস অমসুং পুলিসকী স্পেসল ওপরেসন গ্রুপনা কুপৱারাদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বাসির ৱানি অমসুং অতোপ্পা মিলিটেন্ট অমা হাৎপা ঙমখি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী ওথোরিটিশিংনা নোর্থ কাশ্মিরগী কুপৱারা, বন্দিপোরা অমসুং হন্দৱারা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মহৈ তম্ফম লোয়শঙ পুম্নমক থোঙ লোনশিনখ্রে। বাসির ৱানি লৈখিদবগী পাউ হেক ফংবগা কুপৱারাগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মীচম মীয়াম থোরক্তুনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা নুঙ লংশিল্লকখি। মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীচম অমা মখোঙদা নোংমৈনা পানবদগী শোকখি। শোক্লবা মীওই অদু শ্রীনগরগী হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অমরোমদা, তারিক অহম্মদ গানি কৌবা হান্নগী মিলিটেন্ট অমা শকখঙদবা মীওইশিংনা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ময়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

## রাজস্থান্দা ৩ শিরে, অমা শোক্লে

জয়পুর, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): রাজস্থানগী অজমির দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা কিষনগরদা কেমিকেল হোনবা ট্রক অমনা মোটোর সাইকল অনীদা থেংজিনবদা মীওই অহুম শিরে অমসুং অমা শোক্লে হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অমনা হায়, ট্রক অদুনা মোটোর সাইকল অনীদা থেংজিল্লবা মতুংদা অতোপ্পা ট্রক অমগা থেঙ্গাইনবদা মৈ চাকখৎলকপদগী মীওই অনী মৈ চাক্তুনা শিখি। খোঙজেল য়াংনা থৌরকখিবা ট্রক অদুনা মোটোর সাইকল অনীদা থেংজিল্লবা মতুংদা অতোপ্পা মায়কৈদগী থৌরকপা ট্রক অমদা অমুক থেংজিনখিবনি। বাইক থৌরকপা মীওই অমা মকোক্তা শোকপদগী শিখি। অতোপ্পা অমনা মৈনা চাকপদগী শিখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং হৌনবী মতুংইন্না পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে হায়না ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা ফোঙদোকখি।


### ꯃꯥꯡ/VOTER ID CARD LOST

I have lost my Voter Identity Card bearing No. CTN0346635 issued by Election Commission of India on the way between Porompat DC to Lamlong on 9/10/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Laishram Singhajit**
S/o Laishram Ranjit
Khurai Puthiba Leikai

HL-P/5512/12



TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY

TICKET RATE Rs. 2000/-

In aid of Annual Fund Drive
Org. by: Ima Pantholbi Irat Thouni Lup
Thangmeiband Meisnam Leikai Manipur
Regd. No. 5538 of 1983

MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 250/-
PRIZE
1 Lakh

All Line, Quick 5 & Star are Activa -5G

10th Housefull Activa -5G



Venue : ImaPanthoibi Sanglen Thangmeiband Meisnam Leikai

October gi tang 1 da Sanajagani haina touramba Housie Bumper Draw ashi Lakliba Octobergi Tang 12 da oina sanajaragani pung 6.30 chapchana sanagani

Date & Time
12th October, 2018
(Friday) at
5.30 P.M.

HL-P/2264/12



### GOVERNMENT OF MANIPUR
### DIRECTORATE OF TOURISM

**NOTICE INVITING TENDER**

Imphal, 8th October, 2018

**No. 1/431/2018-DTSM:** In compliance of the resolution adopted in the Organizing Committee Meeting (OCM) of Manipur Sangai Festival, 2018 (MSF 2018), sealed bids in two separate envelopes bearing **"Technical Bids"** and **"Financial Bids"** enclosed in one single envelope are invited by Directorate of Tourism, Government of Manipur from intending reputed Firms/ Agency/ Company/ Non – Profit Organisations. No prospective bidders shall participate in more than one of the following tender specification.

| Sl. No. | Tender Specification No. | Name of the work |
|---|---|---|
| 1 | A1 | CCTV for MSF 2018 |
| 2 | A2 | Outdoor publicity for MSF 2018 |
| 3 | A3 | Photo and video coverage for MSF 2018 |
| 4 | A4 | LED screen for MSF 2018 |
| 5 | B1 | Invitation, sticker and accreditation card for MSF 2018 |
| 6 | B2 | Refurbishment and maintenance of the Heritage Park at Hapta Kangjeibung for MSF 2018 |
| 7 | B3 | Production, marketing & management of Tickets for entry of visitors for MSF 2018 |

Request of proposal (RFP) is available in our website www.Manipurtourism.gov.in and www.manipur.gov.in from 08.10.2018 (onwards). Dully filled in Tender/Bids must reach the office of the undersigned on or before 4:00 PM on 15.10.2018.

*Sd/-*
**W. Ibohal Singh**
Director (Tourism), Manipur

HL-B/4911/12



### J. N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
### POROMPAT, IMPHAL EAST

**NOTIFICATION**

**Imphal the, 11th of October, 2018**

No.01/02/619-2018 : Jawaharlal Nehru Institute of Medical Sciences (JNIMS), invites applications in the prescribed format from willing and intending candidates for appointment to the post of Associate Professor and Professor on Deputation for a period of 3(three) years for Dental College , J.N. Institute of Medical Science in the following Department against the vacancies as detailed below :

1. **Associate Professor - scale of pay Rs. 37400-6700 + Academic Grade Pay Rs. 7000/-**

| Sl.No. | Name of Department | No. of Post | Reservation |
|---|---|---|---|
| 1 | Oral Pathology and Oral Microbiology | 1 | 1-UR |
| | **Total** | **1** | |

2. **Professor - scale of pay of Rs. 37000 - 067000/- + Academic Grade Pay Rs. 10,000/-**

| Sl.No. | Name of Department | No. of Post | Reservation |
|---|---|---|---|
| 1 | Conservative Dentistry & Endodontics | 1 | 1-UR, |
| 2 | Prosthodontics and Crown & Bridge. | 1 | 1-UR |
| | **Total** | **2** | |

4. **Eligibility :**

a) Candidate must be serving in a Dental College recognized by the Dental Council of India.

**Age :**

**a) Associate professor** : The age of the applicant should be less 60 years as on 01/10/2018 .
**b) Professor : Same as Associate professor**

**Essential Educational Qualification :**

a) **Associate professor** : BDS degree of an Indian University or equivalent with Post graduate qualification / Diplomate of National Board in the subject and with 4 (four) years teaching experience after post- graduation , as per Dental Council of India, Revised BDS course regulations , 2007 as amended from time to time.

b) **Professor :** BDS degree of an Indian University or equivalent with Post graduate qualification / Diplomate of National Board in the subject and with 5(five) years teaching experience as Reader( Associate professor) , as per Dental Council of India, Revised BDS course regulations , 2007 as amended from time to time

5. The applicant should have a valid registration from the concerned State Dental Council/ Dental Council of India.

6. Application Form : willing and intending applicants may obtain the application form along with the instructions from the Institutes during office hours

7. Application Fee : Rs 1000/- for Un-reserved and OBC candidates and Rs. 500/- for Scheduled Caste / Scheduled Tribe/ PWDs respectively. Application fees should be deposited in cash/DD in favour of Director , JNIMS at the time of submission of application form to the office of the undersigned in person or by post. Scanned copies of the Application form may also be forwarded as advanced copy to the e-mail id : jnims.2009@gmail.com

8. **Last Date for Form Submission : 30/11/2018**

9. The number of vacancies and the categories of vacancies mentioned above is subject to change.

10. Scheduled date and time of Interview/ Viva –Voce shall be notified on a later date. Further correspondence in this regard shall not be entertained.

*Sd/-*
Prof. Th.Bhimo Singh
**Director J.N.Institute of Medical Sciences.**

HL-B/4914/12